# নেশনল স্কুল গেমস ২০২৪-২৫ : মণিপুরনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস):** স্কুল গেমস ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা শীন্দুনা চথরকখিবা অহানবা ফেজগী ৬৮লক শুবা নেশনল স্কুল গেমস চেম্পিয়নশিপ ২০২৪-২৫ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী টিমনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।



স্কুল গেমস অসিদা মণিপুরনা গোল্ড মেদল ২০, সিলভর ১, ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ২২ ফংদুনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। চহী ১৪ মখাগী নুপামচা অমদি নুপীমচাগী ওইনসু মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইখিবগা লোয়ননা চহী ১৯ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগীসু চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে। থাঙ-তা ইভেন্টকী ওইনা দেল্লীনা চহী কাঙলূপ অনীমক্কী নুপামচা অমদি নুপীমচাগীদা ওভরওল টিম রন্নর্স অপ তাখি। অদুগা চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী টিম রন্নর্স অপনা উত্তর প্রদেশনা তাখিবগা লোয়ননা চহী ১৯ মখাগী নুপামচাগী টিম রন্নর্স অপনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরনা তাখি।

তাকয়েলপাৎতা লৈবা সাই এন ঈ আর সীগী ওল্ড ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ৱেথলিফটিং মশান্নগী ওইনা মণিপুরনা নুপামচা অমদি নুপীমচাগীদা পূন্না পোইন্ট স্কোর ৪২৪ তৌরগা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইখিবনি। চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগীদা মণিপুরনা পূন্না পোইন্ট ১৯২ স্কোর তৌরগা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইখি। অদুগা পঞ্জাবনা পোইন্ট ১৮৮ স্কোর তৌরগা ওভরওল রন্নর্স অপ তাহৌখিবনি। চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাগীদা মণিপুরনা পূন্না পোইন্ট ২৩২ স্কোর তৌদুনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইখিবগা লোয়ননা মহারাষ্ট্রনা পোইন্ট ২১০ স্কোর তৌরগা ওভরওল টিম রন্নর্স অপ তাহৌখিবনি।

পাঙথোকখিবা নেশনল স্কুল গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট ২৮দগী লাকপা শান্নরোয় ৭৩৪না শরুক য়াদুনা থাঙ-তা অমদি ৱেথলিফটিংদা অথোই-অহেন চাংদম্নখি। ওভরওল টিম চেম্পিয়ন অমদি রন্নর্স অপ তাখ্রবা ষ্টেটশিংদা ট্রোফি, মেদল অমদি সর্টিফিকেট খূৎশিন্নদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

ঙসি লোইশিনবগী থৌরম অদু য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর ডা. ময়েংবম ভেটো, সেন্ট্রেল রিজর্ভ পুলিস ফোর্সকী সেন্ট্রেল স্পোর্টস টিমগী কম্মান্দেন্টসু ওইরিবী ওলিম্পিয়ন এন কুঞ্জরানী, ৱর্ল্ড থাঙ-তা ফেদরেশনগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমার অমদি স্কুল গেমস ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী ওবজর্ভর কমালেন্দু সিল অমসুং ফিল্ড ওফিসর সন্দিপ কুমারনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# হোক্কী নেশনল চেম্পিয়নশিপ : টামিল নাদু মায়থীবা পীরম্লগা মণিপুর সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস):** হোক্কী ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা হৌজিক-হৌজিক চথরিবা ১৫রক শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সিনিয়র মেন নেশনল চেম্পিয়নশিপ ২০২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মণিপুর হোক্কীনা হোক্কী য়ুনিট ওফ টামিল নাদু মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। হয়েং নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা মণিপুরনা মধ্য প্রদেশকা সেমী ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।



ঙসি মণিপুর হোক্কী অমসুং হোক্কী য়ুনিট ওফ টামিল নাদুগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবশিং মশীং য়াম্না ফংবা ঙম্ন খিদে। মণিপুর হোক্কীগী মায়কৈদগী কাউন্টর এটেকশিং চথুদুনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরবসু হোক্কী য়ুনিট ওফ টামিল নাদুগী হৈ-শিংলবা দিফেন্দরশিংনা থৎত্নুা থমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু মখা তানা টিম অনীমক্না বোল পায়বগী চাং চাংচৎতা মান্ননা শান্নখিবনা মরম ওইরগা মেটচকী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। তুংদা টিম অনীগী মরক্তা পেনাল্টি শুটআউট তৌনখিবা অদুদা মণিপুর হোক্কীনা হোক্কী য়ুনিট ওফ টামিল নাদুবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

মণিপুরগী পাঞ্জলশিং অদু শংলাকপম নিলকান্তা, ৱারিবম নিরজকুমার, কোথাজিৎ অমসুং লাইশ্রম দিপুনা চনখিবনি। অদুগা হোক্কী য়ুনিট ওফ টামিল নাদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা কার্থি সেলভমনা চনখিবনি।

পনবা য়াবদি, হোক্কী মধ্য প্রদেশনা হোক্কী মহারাষ্ট্রবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙলকখিবনি।

# সম্রাম এফ সীনা এস দি ও পল্লেল মায়থীবা পীখ্রে




**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস):** সম্রাম ফুটবোল ক্লবনা শীন্দুনা সম্রাম শান্নবুংদা টিম ১৮না গ্রুপ ৪ থোক্না খায়দোক্তুনা থা অসিগী ১০দগী হৌদোকখিবা ৩লক শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা লীগ মেটচশিংদা সম্রাম এফ সীনা এস দি ও পল্লেল মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা এফ এফ সী সী এ অংথা অমসুং মালেম এফ সী ইরোম মৈজ্রাও দ্রো চৎখ্রে।

য়ূম্বু ওইরিবা সম্রাম এফ সী অমসুং এস দি ও পল্লেলগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ৭শুবা মিনটতা সম্রাম এফ সীগী বিক্রমনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা এস দি ও পল্লেলনা ২৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা ১-১দা মান্ননা লৈখি। অদুমওইনমক ৩৮শুবা মিনটতা সম্রাম এফ সীগী লোকেননা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদু সম্রাম এফ সীনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা এফ এফ সী সী এ অমসুং মালেমগী এফ সী গী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1444

**G. Lagvilava (2299) - M. Calzetta (2311)**
**36th Olympiad w Calvia ESP (4), 2004.10.18**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nc3 g6 | 3.g3 Bg7 | 4.Bg2 Nc6 | 5.d3 d6 |
| 6.f4 e5 | 7.Nf3 Nge7 | 8.O-O O-O | 9.Be3 Nd4 | 10.Rb1 exf4 |
| 11.Bxf4 Bg4 | 12.Qd2 Nxf3+ | 13.Bxf3 Bxf3 | 14.Rxf3 d5 | 15.Bh6 f6 |
| 16.Bxg7 Kxg7 | 17.exd5 Nxd5 | 18.Ne4 b6 | 19.Re1 Rc8 | 20.a3 Rc6 |
| 21.b4 cxb4 | 22.axb4 Re8 | 23.c4 Nc7 | 24.Qb2 Kg8 | 25.g4 Rf8 |
| 26.Ref1 Ne8 | 27.Kh1 Re6 | 28.Qa1 Qe7 | 29.c5 Re5 | 30.Qd4 bxc5 |
| 31.bxc5 Qe6 | 32.c6 Qxc6 | 33. ... | | |

**QUESTION :** White to win

**Puzzle 1443 Solution :**

**10. Qxc8** The white queen clears the way for White's pawn to the square b7. The white queen captures Black's rook, which was defending the square b8. **Nxc8 11.b7 Qa6**

11...Nb6 12.b8=Q
11...Nd6 12.b8=Q
11...Na7 12.b8=Q

**12. b8=Q**
**1-0**

# গভর্ণরস পোলো কপ : নুপীগীদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব লম্ফেল অদুগা নুপাগীদনা এক্স পোলো ক্লব ৱাখ্ঙে মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস):** মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএশন (এম ঐচ আর পি এ)না শীন্দুনা মপান কাংজৈবুং (ইম্ফাল পোলো গ্রাউন্দ) দা চথরিবা ৩১রক শুবা গভর্ণরস কপ ইনভিটেশন পোলো টুর্নামেন্টকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংগী ওইনা নুপীগীদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব অদুগা নুপাগীদনা এক্স পোলো ক্লব মায় পাকখ্রে।



ঙসি নুংথিল পুং ২.১০ তাবদগী হৌরগা অহানবা গ্রাউন্দদা নুপীগী ওইনা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব অমসুং ইবুধৌ পাখংবা পোলো ক্লবকী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী ইম্ফাল রাইদিং ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা চক্কর লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা চক্কর শান্নখিবা অদুগী ওইনা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমমম্ চন্নখি। অহুমশুবা চক্করদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবনা পাঞ্জল ৫ অদুগা ইবুধৌ পাখংবা পোলো ক্লবনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। মরিশুবা অমদি অরোইবা চক্করদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবনা পাঞ্জল ৪ চন্দুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ১২-২দা মায় পাকখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা নুপাগী ওইনা এম পি এস সী-এ অমসুং এক্স পোলো ক্লবকী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এক্স পোলো ক্লবনা খরা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু পাঞ্জল ১০-৫দা মায় পাকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচশিং অদুগী টাইম কীপরনা এল বেদমণিনা ওইখি। অদুগা স্কোররনা কে ধিরেননা ওইখি।




Title : Scenery
By : Lemba Khumukcham
Class : I Roll No. : 1 Sec. :
School : Rising Sun English School



Title : India Flag
By : Thadoi Wairokpam
Class : I Roll No. : 26 Sec. :
School : Maichou Khongnangthaba Maheikol



Title : Rose
By : Thingom Alina Devi
Class : II Roll No. : 18 Sec :
School : Paradise Academy Canchipur




Title : Naruto
By : Chingkheinganbi
Class: V Roll No. : 6 Sec. : A
School : Standard Public School Sagolband



Title : Goku
By : Nongthombam Daniel
Class: I Roll No. : 8 Sec. :
School : Reliance Academy Luwangsangbam




Title : Mickey
By : Gunhenba Takhelmayum
Class : IV Roll No. : 21 Sec. : C
School : St. Joseph's Hr. Sec. School




Title : Trees
By : Henthoiba Thongam
Class : V Roll No. : 35 Sec. : Marigold
School : SL Arena of Learning



Title : The Three Friends
By : Henthoisana Heiyam
Class : II Roll No. : 28 Sec. : Coral
School : Heritage Convent




Title : A Girl
By : Jreneeka Chirom
Class : VI Roll No. : 39 Sec. : A
School : Pitambara English School (P.E.S.)



Title : Scenery
By : Khelish Haobijam
Class: II Roll No. : 5 Sec. :
School : Heritage Convent School



Title : Scenery
By : Lanchenbi Naorem
Class : IV Roll No. : 51 Sec. : G2
School : R.M. School, Kwakeithel




Title : Heart
By : Chirom Liklam Singh
Class : I Roll No. : 45 Sec. : A
School : Universal Student's Academy (U.S.A.)




Title : Squid Game Doll
By : Wairokpam Chanu Meethoilen
Class : I Roll No. : 8 Sec. : C
School : UNACCO School, Khongman




Title : Girl
By : Sarvashree
Class : IV Roll No. : 10 Sec. : A
School : IPS



Title : Taj Mahal
By : Oinam Shadjit Sanamahi Sameirang Meitei
Class : IV Roll No. : 25 Sec. : B
School : St. Xavier's School, Moirang



Title : Baby Doll
By : Telheiba Nongmaithem
Class : II Roll No. : 1 Sec. :
School : Leishemba Maheikol



Title : Sangai
By : Abujam Tomthilnganba Meitei
Class : IV Roll No. : 17 Sec. :
School : Modern Pangantabi High School



Title : Tree
By : Yeninghunba
Class : I Roll No. : 10 Sec. : A
School : IPS



Title : Mango
By : Yoimayai Khanganba Heiyam
Class : Senior KG Roll No. : Sec. :
School : Yakai Nature School




Title : Jay Ganesh
By : Lourembam Lamnganba
Class : IV Roll No. : 28 Sec. :
School : Kid's Care

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com